# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি নেসনেল পঞ্চায়াতি রাজ নুমিৎ পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতিনা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে, ৱারেপ কয়ামরুম লৌখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবী খুলদা থি হুম্বগী থবক চথবদা য়ান্নবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি করবাইন অহুম, মেগজিন য়াওবা নাইম এম.এম পিষ্টোল অমা, এস.এল.আরগী নোংমৈ মরু ৪৯, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ৩৬, এ.কে. রাইফলগী মরু ১৬, নাইন এম.এমগী মরু ১৫, থ্রি নোর্ট থ্রি রাইফলগী এম্ম্যুনিসন চার্জ ক্লিপ অনি, রেদিও ৱায়ারলেস সেট অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, ট্যুব লোঞ্চিং ৮, দিটোনেতর অনি,

ফিফতি ৱান ইঞ্চ মোর্তার সেল অহুম, টিয়ার স্মোক সেল ১০, ষ্টন সেল ৮ অমসুং পোকখায়বা য়াবা মচাক য়াওনা অতৈ তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাকী নোংপোক শঞ্জেনবম খুল্লেন মার্কেট সেদ এরিয়াদগী আইন্না থিংখ্রবা কে.সি.পি (নোংদ্রে খোম্বা) গী এক্তিভ মেম্বর অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং-পৌরাবীদগী প্রিপাক্কী এক্তিভ মেম্বর অমসু ফারে। মখোয়  মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কৈবী হৈকক মপালদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে।

মণিপুর পুলিসনা চত্থবা স্পেসিয়েল দ্রাইভ অমগী মখাদা হুরানখিবা অমসুং নমদুনা লাকখিবা গাড়ি ৬ লৌখৎপা ঙমলে হায়রি।

কামজোং (এল)ঃ কামজোং জিলাগী গম্বাল অমসুং হাইয়েং খুলগী য়ুমশিং ঙরাং মশক খঙদবশিংনা মৈ থাদুনা অমাং অতা থোকখ্রবা মতুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীয়ামা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অরানবা পাউ ঢশন্দোকপীদনা আপীল তৌরক্লি।

পনবা য়াই, জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খুল অনি অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা থিংনবা ঙরাংদগী মতম কক্তুনা করফিউ থমজিনখিবনি।

এমএলএ (এল)ঃ শগোলবন্দ সলাম লৈকাই মনিং লৈরক্তা নৌনা শেম্বা সিতিজন দিভলপমেন্ট কমিতি ক্লবকী বিল্ডিং ঙরাং এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখ্রে। বিল্ডিং অসিগী মথক্তা সোলর রুফ টোপ পেনেলসু খিনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এনা হায়- ইং ২০২২ দা হৌদোকখিবা গো টু লৈকাই থৌরাংগী মখাদা সরকারগী থবক থৌরমশিং য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা ফংহল্লি।

ডে (এল)ঃ ঙসি অসি নেসনেল পঞ্চায়াতি রাজ নুমিৎনি। চহি খুদিংগী এপ্রিল ২৪ অসিবু কেন্দ্রগী পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রালয়না নেসনেল পাঞ্চায়াতি রাজ নুমিৎ হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। পঞ্চায়টশিংবু রুরেল লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্টকী থাক্তা সংবিধান্না অয়াবা পীখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়া পাঙথোকগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহারগী মধুবনিদা থৌরম অসি য়াওগনি অমসুং লুপা কোতি লিশিং ১৩,৪৮০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা রেলৱেজ অমসুং পৱার য়াওরি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী রেলগাড়িগী হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা অনৌবা রেল গাড়ি ৪ হৌদোক্কনি।

কেবিনেট ঃ কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতিনা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওহরিবা ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা মীফমা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা পাউতাক পীখ্রে।

মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ফোরেন সেক্রেটরি বিক্রম মিস্রিনা হায়- পহলগাম টেরর এটেক্কী মতুংদা ভারতনা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলে। মসিগী মনুংদা ইং ১৯৬০ দা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখিবা ইন্দজ ৱাটর ত্রিতি খুদক্তগী ককথৎপা অমসুং পঞ্জাবকী অটারিদা ইন্তিগ্রেতেদ চ্যেক পোষ্ট খুদক্তা থিংজিনবা য়াওরি। ফোরেন সেক্রেটরিনা হায়- নিউ দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তানগী হাই কম্মিসনদা মথৌ তৌরিবা মীশিং ৫৫ দগী ৩০ হন্থহনবা, মসি মে ১ দগী মখা তানা হন্থনবা ৱারেপ লৌগনি।

মীফম অদুনা পহলগাম টেরর এটেক অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা নংঙাইতবা ফোংদোকখি অমসুং থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবা শরুক য়ারি হায়রি।

মালেমগী লৈবাক কয়ানা পহলগাম টেরর এটেক অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু পাংদবগী থৌওংনি হায়রি। মরক অসিদা, পহলগাম টেরর এটেক্কী মতুং তারকপদা সরকারনা ঙসি রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম অমা নিউ দিল্লিদা কৌরি। মীফম অসি পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মীচম হাৎপা টেরোরিষ্টশিং কৈদৌনুংদসু লেমা থারোই। মহাকা হায়- খা থংবা কাশ্মীরগী আনন্টনাগ জিলাদা লৈবা পহলগামদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথরকপদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা ভারতকী মীপুম খুদিংমকা কায়নবগী মৈশা লাংলি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লৈবাক অসিদগী তেরোরিষ্টশিং মুথৎকনি হায়বগী থাজবা মহাকা ফোংদোকখি। শ্রীনাগরদা লৈবা পুলিস কন্ট্রোল রুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা গৃহ মন্ত্রিনা লৈ কৎতুনা অৱাবা ফোংদোকখি। শ্রী সাহনা হায়- লৈবাক অসিনা তেরোরিষ্টকী থবক থৌওংদা কৈদৌঙৈদসু ঙক নোল্লোই অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং লেমা থারোই। গৃহ মন্ত্রিনা পহলগাম য়ৌরবা মতুং থৌদোক থোকফম বাইসরান ফোরেষ্ট এরিয়াদা চত্তুনা য়েংশিনখি অমদি হোস্পিতালদা শোক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নখি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২১ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৭ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি।

মসি থা অসিগী ২৭ কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

খোংজোম লানদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংদা ইকায় খুমবা উৎখিবা, কামজোং জিলাগী খুল অনিদা শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বা অমসুং পহলগাম টেরর এটেক্কী মতুং পাকিস্তানিশিং পুং ৪৮ গী মনুংদা ভারত থাদোকবা খঙহনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মীয়ামা মরৈবাক নীংবশি মালেমগী পুৱারীদা তোপ তোপ্পা মশকি হায়বা গভর্নরগী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

খোংজোম লান নোংমৈ-বোমগী লান নত্তে, মমা লৈবাক নুংশিবগী অচেৎপা ফিরেপ্তা লেপখিবশিংগী লাননি হায়বা গভর্নরগী ৱাফম অমসুং পহলগাম মীহাৎ- প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মৈ হৌনা শাওখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মে ৩ দা ফোক্সনা শিন্দুনা ব্রিজিং দিভাইদ ফোর সিয়ার ফ্যুচর হায়বা থিমদা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসুং আই.দি.পিশিংনা শিজিন্নরিবা ঈশিং টেষ্ট তৌখ্রে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কামজোগী খুল অনি মৈ থাদোক্লল্লে, কুকি ইনপি য়াওনা লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, গানফিউ মেল অমসুং মণিপুর মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সরকারনা কামজোংগী খুলশিংদা খুদক্তা করফিউ থমজিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিয়েসন্না নেসনেল হাইৱে অনি ইম্ফাল দিমাপুর রোডকী মখানদগী মাও ফাওবগী লম্বীদা লৈরম্বা পোর্ট হোলশিং মেনশিনখ্রে

হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লমদম অসিদা শিংনরকপা খুদিংমক নীংহন্নদনা চপ চানা থেংনগনি হায়বা অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৰাংগী ৱাফম অমসুং সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলক্লিবা পাউশিং চুমব্রা লানব্রা হায়বদু ভেরিফাইদ তৌগদবনি হায়বা এম.এল.এ- কে.ঐচ. জয়কিসনগী ৱাফমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পাকিস্তানিশিং পুং ৪৮ গী মনুংদা ইন্দিয়া থাদোকহনবা য়াওনা মোদি লৈঙাকা অকনবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লনাই গাড়িশিংদা য়াওরকপা লৈবাকশিংনা মীয়ামগী লম্বীদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------